Saturday, June 25, 2016, Imphal

HUEIYEN LANPAO

# জোকোভিচ, ফেদররনা ৱিমব্লেদনগী দ্রোদা সেমী ফাইনেলদা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি



ন্যু দেল্লি, জুন ২৪ ঃ

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোভাক জোকোভিচ অমদি তরেৎলক ৱিন্নর ওইখ্রবা রোজর ফেদরর অনীনা ৱিমব্লেদনগী ঙসি ওৎখিবা দ্রোদা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হৌগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী সেমী ফাইনেলদা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান জোকোভিচনা কুমজা ১৯৬৯ গী মতুংদা অহানবা ওইনা কেলেন্দর ইয়র অমদা গ্রান্দ স্লাম মরিরক লৌবা ঙম্বা প্লেয়র ওইনবগী মিৎয়েং থাল্লিবনি। জোকোভিচনা ওল ইংলেন্দ ক্লবতা হৌখিবা ফাইনেল মেচ অনীদা ফেদররবু মায়থীবা পীখিবনি।

দ্রো অদুদা কুমজা ২০১৩ গী চেম্পিয়ন অমদি অনীশুবা সীদেদ এন্দি মরেনা সেমী ফাইনেলদা মরিশুবা সীদেদ ষ্টান ৱারিঙ্কাগা শান্ননবা লাইন অপ তৌখি।

ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ন অহুম্লক ওইখ্রবা জোকোভিচনা মহাক্কী কেরিয়রগী গ্রান্দ স্লাম অদু মমাঙ থাগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী টাইটল লৌদুনা মপুং ফাখিবনি। অমদি হৌজিক মেজর মরিমক লৌবা ওইখ্রে।

মসি মহাক্কী কেরিয়রগী ১২ শুবা মেজর ওইখি অমদি কুমজা ১৯৯২ দা জিম কোরিয়রনা চহী অমদা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ফ্রেঞ্চ ওপন লৌখিবা অদুগা চপ মান্ননা অহানবা টাইটল লৌবা প্লেয়রসু ওইখ্রে।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা সার্ব অসিনা মহাক্কী ৱিমব্লেদন কেম্পেনগী অহৌবদা ব্রিটিশকী ৱাইল্ড কার্দ জেমস ৱার্দকা মায়োক্লদুনা শান্নগনি। অমদি লাষ্ট আইটতা বিগ সার্ভিং কনাদিয়ন মিলোস রাওনিক্কা মায়োক্লগনি।

মরেনা অহানবা রাউন্দদা কম্পেট্রোইট লিঅম ব্রোদিগী মায়োক্লদুনা শান্নগনি অদুগা মরিশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কির্গিওসকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ফ্রেঞ্চমেন রিচার্দ গ্যাগেটনা ক্বার্টর ফাইনেলগী লম্বা ওইরবা য়ারি।

সিজন অসিদা অশোকপনা মপূং ওইখ্রবা অহুমশুবা সীদেদ ফেদররনা ৱর্ল্ডগী ৫১ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অর্জেন্টিনাগী গুইদো পেল্লাগা মায়োক্লদুনা শান্নবা হৌগনি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা স্বিস অসিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী কৈ নিশিকোরিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

করিগুম্বা সীদিংগী প্লে আউটতা ৱারিঙ্কানা লাষ্ট ফোরদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

অমরোমদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ৱিমব্লেদন টাইটল তরেৎলক লৌবা ঙম্নবা চঙলকপা লম্বীগী লাষ্ট ফোরদা পোলিশকী অহুমশুবা সীদ অগনিজকা রাদৱানস্কাগা শান্নগনি। রাদৱানস্কানা কুমজা ২০১২ গী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। রাদৱানস্কানা কুমজা ২০১২ গী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন গার্বিন মুগুরুজানা লাষ্ট ফোরদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ৱিন্নর এঞ্জেলিগ কার্বরগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। মুগুরুজানা রোলেন্দ গারোসকী ফাইনেলদা ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীখি অমদি কুমজা ২০১৫ গী ৱিমব্লেদন চেম্পিয়নশিপকী মেচতা অমেরিকান অসিগী মখূৎতা মুগুরুজানা মায়থীহৌখি।

স্পানিশ ষ্টার মুগুরুজা মহাক্কী অহৌবা মেচতা ইটালিগী ফামিলা গিওর্গিগা শান্নগনি।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবা ভেনস ৱিল্লিয়মসনা লাষ্ট আইটতা মুগুরুজাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ভেনসনা ৱিমব্লেদনগী টাইটল মঙারক লৌবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা রাদৱানস্কানা বেলিন্দা বেনসিক্কা শান্নগনি অদুগা কার্বরনা সিমোনা হালেপকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা পেট্রা কভিটোভানা রোমানিয়াগী সোরানা কির্ষ্টৈয়াগা ওপনরদা থেংনগনি। ব্রিটিশকী নম্বর ৱান জোহন্না কোন্টানা অহানবা রাউন্দদা মোনিকা পুইগতা শান্নগনি।

# হোকি ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক্সকী নুপা-নুপী হোকি টিমগী মেম্বর ৮/৮ গী সপ্পোর্ট ষ্টাফ পীবিনবা খঙহনখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুন ২৪ ঃ

রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপী নেসনেল টিমগীদমক কোচিং নিপান অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফশিং পীবিনবা আই ও এগী মকোক থোংবশিংদা স্পোর্টস বোদি অসিগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বট্রানা অইবা চেরোল অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পীশিনখ্রে।

হোকি ইন্দিয়ানা নুপা অমদি নুপী হোকি টিমগী কোচিং নিপান/নিপান অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফশিং টিম খুদিংমক্কী মথৌ তাই হায়না বট্রানা মহাক্কী অইবা চেরোল অদুদা ফোঙদোকখি। অইবা চেরোল অদু ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন (আই ও এ) গী প্রসিদেন্ট এন রামাচন্দ্রন অমদি সেক্রেটরি জেনরেল রজিভ মেহটাদা পীশিনখিবনি।

নুপা অমদি নুপী হোকি টিমগী কোচিং অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফশিং টিম খুদিংমক্কী লোয়নগনি হায়না হোকি ইন্দিয়ানা আই ও এগী তোঙান তোঙানবা কোরেস্পোন্দেন্সশিংদা খঙহনখি। ঐখোয়না মখল মখাগী এক্রিদিটেসনগী পার্মিট অদু এথলেটশিং ইন্টরেষ্টতা পীবীনবা হায়জখি হায়না বট্রানা হায়খি।

করিগুম্বা হোকি ইন্দিয়ানা হায়রিবা অসি তৌরক্ত্রবদি রিও ওলেম্পিক্সতা টিমনা উৎপা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক আই ও এনা দাইত্ব পুগদবনি হায়না বট্রানা ৱার্নিং তৌখি।

বট্রাগী ৱারোল অদুগী পাউখুম ওইনা রজিভ মেহটানা হায়খি, ক্বালিফাই ওইরবা এথলেটশিংগী অপূনবা অদুদগী ওফিসলশিংনা চাদা ৪০ দগী হেন্না হেনবা য়াদে। অদুবু ঐখোয়না নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসন (এন এস এফ) শিংদগী ফংবদা য়াম্লবা মমিংশিং লাক্লি হায়না মেহটানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা এন এস এফতা ফাইনেল লিষ্ট অদু শান্নরোয়শিংগা লোয়নগদবা ওফিসলশিং (চাদা ৪০) গী অরোইবা লিষ্ট অমা জুন ২৪ ফাওবগী মনুংদা আই ও এদা পীশিল্লক্লবা খঙহনখি।

পনবা য়াই, স্পেনগী ভলেন্সিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিক্স নেসন্স ইনভিটেসনেল হোকি টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৮ না শাবা স্কাদ অমনা রিও ওলেম্পিক্সকীদমক শেম শাবা ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, লন্দন্দা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা গোলকিপর পি আর শ্রীজেসনা কেপ্তেন ওইদুনা শরুক য়াখিবদা ইন্দিয়ানা শিংথানিঙাই ওইনা শিলভর মেদল লৌখিদুনা পুৱারী শেমখিবনি।

হায়রিবা লৈবাক তরুক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা অতোপ্পা টিমশিং অদুদি অর্জেন্টিনা, জর্মনি, ন্যুজিলেন্দ, আইরলেন্দ অমদি য়ূম্বু স্পেননি।

ইন্দিয়ন হোকি টিমগী চীফ কোচ রোলেন্ট ওলটমান্সনা হায়খি, স্কাদ অসি রিও ওলেম্পিক্সকীদমক নিংথিনা শেমগৎলে। হন্দক্তা ঐগী নুপামচাশিংনা উৎখিবা মরু ওইনা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী পার্ফোমেন্স অদুদা ঐনা তশেংনা অপেনবা হায়বদু ওইখি।

মখোয়না ট্রেনিংদা ফংখিবা লৌশিং অদু টুর্নামেন্ট অদুদা নিংথিনা শীজিন্নবা ঙমখ্রে। মখোয়গী স্পিরিট অদু লেংদনা থম্বা ঙমগনি হায়না ঐনা অশা তৌরি অমদি মখা তানা পার্ফোমেন্স অদুমক পীদুনা মায় পাক্লা চঙশিনগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ইন্দিয়ানা জুন ২৭ তা ওপনর ওইনা জর্মনিগা মায়োক্লদুনা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়ন স্কাদতা য়াওরিবা টিম মেম্বরশিং অদুদি গোলকিপরদা পি আর শ্রীজেস (ভাইস কেপ্তেন), ভিকাস দাহিয়ানি। দিফেন্দরদা রুপিন্দরপাল সিংহ, ভি আর রঘুনাথ, কোথাজিৎ সিংহ, সুরেন্দর কুমার, হরমনপ্রীট সিংহ, বিরেন্দ্র লাক্রানি। মিদফিল্ডরদা দানিশ মুজটাবা, চীংলেনসনা সিংহ, মনপ্রীট সিংহ, সর্দার সিংহ (কেপ্তেন), এস কে উটাপ্পা, দেভিন্দর, সুনিল, ৱালমিকি, হরজীট সিংহনি। ফোরৱার্দতা টালৱিন্দর সিংহ, এস ভি সুনিল, অকশদিপ সিংহ, রমনদিপ সিংহ অমদি নিকিন টিম্মায়াহনি।

# পাউল স্কোলসনা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদবা প্রেমিয়র ফুটসাল লীগতা শান্ননবগী খূৎয়েক পীনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ২৪ ঃ

লেজেন্দরি মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মিদফিল্ডর পাউল স্কোলরসনা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রেমিয়র ফুটসাল লীগতা শান্ননবগীদমক হন্দক্তা ইনৌ নৌনা খূৎয়েক পীনখ্রে।

ইংলেন্দগী ইন্টরনেসনেল অসিনা মহাক্কী শাংলবা কেরিয়রদা শিংথানিঙাই ওইনা রেদ দেভিলসকীদমক মেচ ৪৯৯ শান্নখিদুনা গোল ১০৭ চনখি অদুগা ট্রোফি ২৫ লৌবা ঙমখি। মহাক্লা চাউরাক্লা চহী কুনরোম ফুটসালগী কেরিয়রদা লৈরম্লবা মতুং কুমজা ২০১১ দা শান্নবদগী লেপখি। অদুবু মেনেজর সার এলেক্স ফর্গুসননা শান্ননবা অমুক হন্না কৌরকখিবদগী কুমজা ২০১২ ফাওবা শান্নরম্লবা মতুং কুমজা ২০১৩ গী মে থাদা অরোইবা ওইনা শান্নবদগী রিটয়ার্দ তৌখি।

পোর্চুগিজগী লেজেন্দ লুইস ফিগোনা লীগ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুখি অদুগা ষ্টার ইন্দিয়া ক্রিকেটর ভিরাট কোহলিনা ব্রান্দ এম্বসেদর ওইখি।

পোর্চুগিজগী লেজেন্দ লুইস ফিগোনা লীগ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুখি অদুগা ষ্টার ইন্দিয়া ক্রিকেটর ভিরাট কোহলিনা ব্রান্দ এম্বসেদর ওইখি। লীগ অসিগীদমক ফুটসাল লেজেন্দ ফালকো অমদি হান্নগী বার্সেলোনাগী মিদফিল্ডর দেকোনা খূৎয়েক পীনখ্রবা মতুং পাউল স্কোলসনা ইনৌ নৌনা লীগ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খূৎয়েক পীনখিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল্লর ওইখি।

লীগ অসি ইন্দিয়াগী সিটি নিপানদা শান্নরবা য়াবগী থাজবা লৈরি। সিটিশিং অদুগী মনুংদা কোলকটা, মুম্বাই অমদি ন্যু দেল্লি য়াওরি।

# ওলেম্পিক্তা শরুক য়ানবগীদমক ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ফংখিদ্রবসু মখা তানা শান্নখিগনি ঃ মেরি কোম



ন্যু দিল্লি, জুন ২৪ ঃ

মহাক্লা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবগী শাগৎলম্বা মঙলান অদু ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি পীররোই হায়না ফোঙদোরকখিবদগী নীংবা কায়খ্রবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর এম সি মেরি কোমনা মহাক্কী বোক্সিং গোল্ড অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ানখৎতুনা থম্বা তৌখিরোই হায়না শগোলশেন নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবী অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবী মেরি কোমনা ক্বালিফাইয়র অনীরক্তা শরুক য়াখিবদা মায় পাকখিদবদগী ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও সি) অমদি ইন্দিয়াদা বোক্সিংগী মমায় চুম্লিবা আইবাগী এদহোম কম্মিটিনা মহাক্কী ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি পীবীনবা হায়জখ্রবামুং আই ও সিনা হায়জখিবা ৱাফম অদুবু য়াখিদবনি।

ইন্দিয়াগী ষ্টার বোক্সর এম সি মেরি কোমনা হায়খি, ঐনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবগী ৱাইল্ড কার্দ ফংলরোই হায়বসি ঐহাক পাউ ফংলে। মসি থম্মোয় কায়নিংঙাই ওইখি অদুবু মসি ঐ ইশানা ফাজিনজবা ঙমদবা অমদি ওইখি। ঐনা আই ওসিগী ৱারেপ অদুদা য়াজে অদুবু ঐনা স্পোর্টস অসিদগী হৌজিক হৌজিকমক পোত্থাবদি তৌরোই। ঐনা ফিট ওইরিবা ফাওবা ঐনা মখা তানা শান্নখিগনি অমদি হৌজিক ঐহাক ফিট ওইরি হায়না খল্লে হায়না মেরি কোমনা ফোঙদোকখি।

লন্দন ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অসিনা রিও ওলেম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইনবগী খুদোংচাবা অনীরক মাঙখি। অহানবনা চহী অসিগী মার্চথাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন জোন ক্বালিফাইয়রস অমসুং অনীশুবাঅমদি অরোইবনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপনি

মসিগী মতুংদা আই ও এ অমদি এদহোক কম্মিটিনা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) দা ট্রাইপটাইট কম্মিসন ইনভিটেসন প্লেসকীদমক ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি পীবীনবা হায়জখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, এদহোক কম্মিটিনা আইবাগী প্রসিদেন্ট ডো. চীং কৌ ৱুগা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। ৱাইল্ড কার্দ ফংবা হায়বসি মতম পুম্নমক্তা য়াম্না টফ ওই হায়খি। মণিপুরী অসিনা রিও ওলেম্পিক্সকী মতুংদা মশান্না অসিদগী পোত্থানবা থৌরাং তৌরম্লবসু হৌজিক মহাক্কী ৱাখলদা অহোংবা লাক্তুনা মতমগী মতুংইন্না পোত্থারগনি হায়বগী থাজবা থমখিবনি।

পনবা য়াই, মহাক্কী বেল্ট মখাদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল মঙারক লৌখ্রবা নুপীগী বোক্সিংগী লেজেন্দশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এম সী মেরি কোমনা লাক্লিবা মথংগী জেনরেসনদা থোক্লক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিং মতিং থোকপা কয়া য়াওরক্লরোই হায়বগী থাজবা থমখিবনি।

শক্লাইরবী বোক্সর মেরি কোমনা হায়খি, ইন্দিয়াদা কম্পিটিসন মশিং য়াম্না পাঙথোক্তে। নেসনেলশিংসু মওং তানা শিনবা তৌদে। হৌখিবা চহী অনী অহুম অসিদা নেসনেল লেবেলগী থাক্তা কম্পিটিসন অমত্তা পাঙথোক্তনা লাক্লি। লৈবাক অসিদা অতেনবা মতমগী মনুংদা লৈবাক অসিগী নুপী বোক্সরশিংনা ইন্টরনেসনেল লেবেলদা মশক থোক্লা লিখৎলক্কনি হায়বসি ঐনা উবা ফংদে হায়খি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা নুপী বোক্সিংগী থাক অসি তশেংনা হেঙ্গৎলকখ্রে অমদি ইনখৎলক্লিবা অমসুং নহা ওইরিবা বোক্সরশিং অফবা ট্রেনিং পীবা তঙাইফদে হায়না মেরি কোমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী মে থাদা কজাখষ্টানগী অষ্টানাদা পাঙথোকখিবা আইবা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী অনীশুবা রাউন্দদা মেরি কোমনা মায়থীহৌখিবদগী ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবগী থল্লকখিবা পান্দম অদুদা চাউনা নীংহন্নবা পোকহনখিবনি। অদুবু হৌজিক ইন্দিয়াদা মশান্না অসিবু য়েংশিনবগী থৌ পুরিবা এদহোক কম্মিটিনা লন্দন ওলেম্পিক্সকী মেদলিষ্ট মেরি কোমবু রিও ওলেম্পিক্সতা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি পীবীনবা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) দা হায়জখিবনি।

মেরি কোমনা অনীরকশুবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংনবগীদমক থৌনীজবগা লোয়নননা করিগুম্বা মহাকপু রিও দি জানৈরোদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীরবদি মেদল অমদি শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমখিবনি।

# রসিয়ন, কজাখষ্টান অমদি বেলারসকী ৱেথলিফ্টরশিং রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াদনবা আই দব্লিয়ু এফনা অথিংবা থমখ্রে



পেরিস, জুন ২৪ ঃ

রসিয়ন, কজাখষ্টান অমদি বেলারসকী ৱেথলিফ্টরশিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন দোপিংগী চৎন-পথাপ থুগায় হায়বগী মরালদা চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ৫ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা য়ারোই হায়দুনা মালেমগী ৱেথলিফ্টিংগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ইন্টরনেসনল ৱেথলিফ্টিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) না অথিংবা থমখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ৱেথলিফ্টিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) না ৱেথলিফ্টরশিংবু মশাঙ তশেংনা থম্বা পান্দমদা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা চৎন-পথাপকী মখাদা অথিংবা থমখ্রবা দ্রগশিং শীজিন্নরম্বগীদমক অথিংবা থমখ্রবা লৈবাকশিংগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়াসু য়াওরি।

রিও ওলেম্পিক্সতা রসিয়াগী ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী এথলেটশিংবু অথিংবা থমখ্রবা মতুং নৌহৌননা মখোয়গী ৱেথলিফ্টরশিংবু গেমস অসিদা অথিংবা থম্লকপা অসিনা লৈবাক অসিদা চাউনা নীংহন্নবা অমা ওইহনখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা লৌখিবা সেম্পলশিং অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা ৱেথলিফ্টর ২০গী সেম্পল চিংননিংঙাই ওই হায়না ইন্টরনেসনল ৱেথলিফ্টিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) গী ইগজেক্যুটিব কম্মিটিনা চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফোঙদোকপা লৈখিবনি।

ইন্টরনেসনল ৱেথলিফ্টিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) গী ইজগেক্যুটিব কম্মিটিনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ফমখিবা মীফম অমনা চিংননিংঙাই ওইবা কেসশিংগী মরক্তা লৈবাক অমনা লিফ্টর অহুম নংত্রগা অহুমগী মথক্তা দোপিং টেষ্ট তেবদা মায় পাক্কুবদি চহী অমগী অথিংবা মায়োক্লগনি হায়বা ৱারেপ লৌখি। তুংদা রসিয়া, কজাখষ্টান অমদি বেলারসপু অথিংবা থমখি। লোয়ননা লিফ্টরশিং অদুগী অনীশুবা সেম্পলশিং অদু পোজিটিব ওইনৎত্রগা ওইদে হায়বদু খঙলবা মতুংদা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা হীরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌগনি হায়রি।

অমরোমদা, রসিয়াগী ৱেথলিফ্টিং চীফ সার্গে সাইরসোভপু সুরোপিয়ন ৱেথলিফ্টিং ফেদরেসনগী এন্টি দোপিং কম্মিসনগী লুচিংবা ওইনা খনখিবা অদুগী মতাংদা আই দব্লিয়ু এফকী ইগজেক্যুটিব কম্মিটিনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা সার্গে সাইরেসোভ অমদি য়ুরোপিয়ন ৱেথলিফ্টিং ফেদরেসন্না নৌনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্নবীনবা তকশিনখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্টরনেসনল ৱেথলিফ্টিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) না বলগেরিয়াবু দোপিংগী মরালদা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াদনবা হান্ননা অথিংবা থমখ্রবনি। লোয়ননা নোর্থ কোরিয়া, রোমানিয়া উজবেকিষ্টান, অজর্বাইজান অমদি মোলদোভাবু ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফিকেসনদা হঞ্জিন হঞ্জিন দোপিংদা চেন্নবগীদমক ইন্টরনেসনল ৱেথলিফ্টিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) না অহৌবা সেক্সন থমদুনা লৈবাকশিং অসিনা রিওদা মখোয়গী ৱেথলিফ্টরশিংগী শরুক য়াবদা মশিং হচ্ছনগদৌরি হায়রি।

# অর্জেন্টিনাগী রিও ওলেম্পিক্সকী স্কাদ লাউথোকখিবদা বার্সেলোনাগী সুপর ষ্টার লিওনেল মেসি য়াওখিদ্রে



ব্রুনোস এয়রস, জুন ২৪ ঃ

অর্জেন্টিনাগী কোচ জি মার্টিনোনা মহাক্কী রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা স্কাদ অমা শগোলশেন নুমিৎতা লাউথোকখিবগা লোয়নননা স্কাদ অদুদা সুপর ষ্টার লিওনেল মেসি য়াওবা ঙমখিদ্রে।

ফুটবোল্লর ২২ গী স্কাদ অমা শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখিবদা য়াওখিদবা লিওনেল মেসি হৌজিক চথরিবা কোপা অমেরিকাগী স্কাদতদি য়াওখিবনি। লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা কোপা অমেরিকাগী ফাইনেলদা অর্জেন্টিনানা হোল্ডর চিলিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

মেসিবু ওলেম্পিক স্কাদতা য়াওরোই হায়বসি হান্ননা থাজবা লৈখ্রবনি। মহাক্লা কুমজা ২০০৮ দা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌখি অদুবু মার্টিনোনা বার্সেলোনাগী ষ্টার অসি কোপা অমদি ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াহল্লোই হায়না ৱারেপ লৌবা লৈখিবনি।

শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখ্রবা স্কাদতা য়াওরিবা প্লেয়র মাপনদি গিওভানি লো সেলসো (রোসারিও সেন্ট্রেল), জরোনিমো রুল্লি (রিয়েল সোসিদাদ), এঞ্জেল কোরআ (এটলেটিকো মেদ্রিদ), ইম্মান্যুএল সাম্মানা (রিভর প্লেট), জোনাথন সিলভা (বোকা জুনিয়র), জোস লুইস গোমেজ (লনেস), মৌরিসিও মার্টিনেজ (য়ুনিয়ন), লীন্দ্রো পারেদেশ (ইস্পোলি) অমদি ক্রিষ্টিয়ন ইস্পিনোজা (হুরাকন) নি।

অজেয়ন্টিনানা কুমজা ২০04 অমদি ২০০৮ গী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইখি অমদি রিও ওলেম্পিক্সকীসু ফেভোরাইট ওইরি। মখোয়না গ্রুপ দিদা পোর্টুগাল, অলজেরিয়া অমদি হোন্দুরাসকা পূন্না তামিন্নরি।

পনবা য়াই, লিওনেল মেসি য়াওবা কোপা অমেরিকাগী স্কাদতা অর্জেন্টিনানা ফাইনেল চঙখিদুনা লাক্কদৌরিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগদবা টাইটল মেচতা চিলিগা লম্বা তৌনগনি। মমাঙ চহীগী কোপা অমেরিকাদা অর্জেন্টিনা অমদি চিলি অনীনা ফাইনেল শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদুদা চিলিনা পেনালটি শুট আউটতা অর্জেন্টিনাবু ৪-১ দা মায়থীবা পীরমখিবনি। হন্দক্কী এদিসন অসিদা অর্জেন্টিনানা মমাঙগী মায়থীখিবা অদুগী লমন খুন্নবা থৌরাং তৌরি।